**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 12-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা, শান্তি প্ৰকবা তুং কোইনা চাওখৎপগী থবক্তা নিতি আয়োগনা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হায়খ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ২০২৪-২৫ গী সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দ অমসুং উস্তাদ বিসমিলা খান য়ুবা পুরুস্কার ফংলগদবা মণিপুরগী মীওই ৭ পু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

৩) মণিপুরগী চুরাচান্দপুর জিলাদা মমাংদা আইন কায়না পোপি থারম্বা লম একর কয়া সরকারগী প্রোজেক্ট হিনিচিগী মখাদা অহানবা ওইনা হৱাই থরাক থাদুনা মায় পাকা লোক্লে।

৪) ভারত অমসুং বঙ্গলাদেশনা লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংদা শান্তি থম্বা অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে।
অমসুং

৫) গল্ফ ওফ ওমানদা ভারতকী কম্মর্সিয়েল জহাজশিংদা আমেরিকাগী নেভেল ফোর্সশিংনা লান্দারকপবু ভারতনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

------

সিএম (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা, শান্তি পুরকবা তুং কোইনা চাওখৎপগী থবক্তা নিতি আয়োগনা অচৌবা থৌদাং লৌবীনবা হায়খ্রে।

ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা নিতি আয়োগ অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমদি চীফ সেক্রেতরিশিংগা ৱারী শান্নবদা ফোংদোকখিবনি। থৌরম অদুদা শ্রী খেমচান্দনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু লৈবাক অসিগী চাওখৎপগী ইঞ্জিন অমসুং অষ্টলক্ষমিনা হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা হায়- রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমসুং লালহৌবগী ইরাং লোইশিন্নবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক মাংজিল থানা পায়খৎপা তঙাইফদে। রাজ্য অসিদা লন্মী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা মখা তানা শেল থাদবগী তঙাইফদবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি। রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়া থুনা লোইশিনবদা নিতি আয়োগনা মতেং পাংবীনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা তকশিনখি।

উন্নবা অদুদা নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন অশোক কুমার লহিরি, অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং, চীফ সেক্রেতরিশিং, নিতি আয়োগকী মেম্বরশিং, নিতি আয়োগ অমসুং রাজ্য সরকারশিংগী ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নিতি আয়োগকী ১১ শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফমদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মনিপুর শান্তি অমসুং চাউখৎ মাইকৈদা চংশিল্লক্লি হায়না ফোংদোকখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র সরকার অমসুং নিতি আয়োগকী মতেংনা ভিক্সিত মনিপুর অমা ওইনবা পান্দম থল্লি।

মহাকা হায়- গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী অচেৎপা থৌশিলগা লোয়ননা মনিপুরগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলে। আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহনবগী মতাংদা মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্রগী মতেংগা লোয়ননা

আই.দি.পিশিংগী রি-সেট্টলমেন্ট এন্দ রি-হেবিলিটেসন পেকেজকী মখাদা তাঙ্কক নাইনা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহনবগী থবক চথরি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ২০২৪-২৫ গী সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দ অমসুং উস্তাদ বিসমিলা খান য়ুবা পুরুস্কার ফংলগদবা মণিপুরগী মীওই ৭ পু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

রাজ্যপালনা হায়- মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি য়োকখৎনবা অমসুং চাওখৎনবা হোৎনবদা মীওইশিং অসিনা লৌরিবা থৌদাংবু ইকায় খুমৈ। তুংদা রাজ্য অসিগী মীংচৎ পুরকবা মখা তানা হোৎননবসু রাজ্যপালনা ফোংদোকখি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- রাজ্য অসিগী কলা অমসুং সংস্ক্যতিগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা মগুনশিংবু লৈবাক অসিদা শক তাক্লিবা মীওইশিংদা ইকায় খুমরকপা অসিমক য়ামমক চাউথোকচনিঙাইনি। মখোয়গী থৌদাংশিংনা কলা সংস্কৃতিগী লম অসিদা হেন্না ৱাংবা মফম অমা কনবা ঙমলে।

মণিপুরদগী সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দ ফংলগদবা মীওইশিং অদুদি- মণিপুরী দান্সতা শ্রীমতি ইরেংবম নলিনি দেবী, ফোল্ক ম্যুজিক্তা শ্রীমতি লৌরেম্বম বেদবতি দেবী, মণিপুরী দান্সতা শ্রীমতি রাজকুমারি থম্বালসনা দেবীনি।

উস্তাদ বিসমিলা খান য়ুবা পুরুস্কার ফংলবশিং অদুদি- মণিপুরী দান্সতা শ্রীমতি ফুরিৎশাবম দেবজানি দেবী, ম্যুজিক ফোর দান্স মণিপুরীদা অকাশবানি ইম্ফালগী এন্নাউন্সরসু ওইরিবা শ্রী লুক্রাম তম্ফামনি সিংহ, ফোল্ক ম্যুজিক্তা শ্রীমতি য়ুমাম বিমোতা দেবী অমসুং মণিপুরী দান্সতা শ্রী তোংব্রম রোনেল মীতৈনি।

কন্দেম (এল)ঃ মমাং থাগী ১৩ দা নাগা মীচম ৬ খুৎলায় পায়বশিংনা ফাদুনা পুখ্রগা হাৎতুনা হুন্দোক্লম্গী থৌওং অদুবু নাগা লেজিসলেচর ফোরম মণিপুরনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ফোরম অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- থৌওং অদু মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা তমথিবা থৌদোকনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চহি ১২ (এল)ঃ কেন্দ্রদা এন.দি.এ সরকারনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ শুরকপগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা ঙসি ‘ষ্টার্টঅপ স্কিম’ হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা নুমিদাং পুং ৭ মিনিত ৫০ দা শঙাই চেন্নেলদা শন্দোক্কনি।

হিরম অসিদা মণিপুর সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টগী দাইরেক্তর ডাঃ আর.কে. রাধেসনাগা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুগী দেক্স ইদিটর ৱাইখোম চিত্রধনিগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শাবগী থৌরম তাবা ফংবিগনি। হায়রিবা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অসি হয়েং থাংজ নুমিৎকী নুমিৎযুংবা মতুং পুং ১২ মিনিত ১০ দগী অকাশবানি ইম্ফালগী কংলা চেন্নেলদা অমুক হন্না তাবা ফংবীগনি।

এনসিবি(এল)ঃ মণিপুরগী চুরাচান্দপুর জিলাদা মমাংদা আইন কায়না পোপি থারম্বা লম একর কয়া সরকারগী প্রোজেক্ট হিনিচিগী মখাদা অহানবা ওইনা হৱাই থরাক থাদুনা মায় পাকা লোক্লে।

নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না হায়- থৌরাং অসি আইন কায়না পোপি থাবা থিংনবা অমসুং মীপাল তাংদনা হিংজবা ঙমবা হোৎনবদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাং অমা ওইরে।

এন.সি.বিনা হায়- হান্না আইন কায়না পোপি থারম্বা লম একর ২৫৪ প্রোজেক্ট অসিনা মায় পাকা হৱাই থরাক থাফম ওন্থোক্লে অমসুং থৌরাং অসিনা জিলা অসিগী ইমুং ১২৪ হেনবদা কান্নবা পীরে। এন.সি.বিগী প্রোজেক্ট হিনিচি অসি চহি অসিগী এপ্রিল থাদা হৌদোকখিবনি।

ত্রাইব (এল)ঃ জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা নোনে জিলাদা হেলিকোপ্তর সার্ভিস থম্বীনবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দদা আইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে।

কাউন্সিল অসিনা মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিগী মীয়াম অনা অয়েক য়াওরকপা অমসুং লম্বী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসিগী য়েংলগা নোনে জিলা অমসুং ইম্ফালগী মরক্তা খুদক্তুগী হেলিকোপ্তর সার্ভিস থম্বীনবা ৱাফম পল্লি।

ককচিং (এল)ঃ  য়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কন্মিসন (য়ু.পি.এস.সি), মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কন্মিসন (এম.পি.এস.সি)না লৌবা কম্বাইন্দ কম্পিততিভ সিভিল সার্ভিসেস একজামিনেসনশিংদা মায় পাক্লবা ককচিং জিলাগী মীওইশিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি হৱাউ তরামা ওকখ্রে। থৌরম অদুদা কোসেম, সি.বি.এস.ই অমসুং বোসেমনা লৌবা পরিক্ষাশিংদা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোইশিংসু ওকখি।

ককচিং চুমাং লৈকাইগী কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা মখোয়বু ওকপগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এস.পি. লাইশ্রম প্রিয়াদরসিনি, দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী হান্নগা ভাইস চান্সেল্লর ডাঃ নোংমাইথেম রাজমুহোন্নচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

মৈ (এল)ঃ  জিরিবামগী বাবুপারাদা এফ.সি.আই গোদাউন মনাক্তা লৈবা ক্বাতর অমা ঙসি অয়ুক মৈ চাক্তুনা অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়রোম তাবা অদুৱাইদা বাবুপারা ৱার্দ নম্বর-৬ কী এফ.সি.আই গোদাউন মনাক্তা লৈবা ক্বাটর অসি মৈ চাকখিবনি। ইলেক্ত্রিক্কী সোর্ট সার্কিট থোকপদগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। তুংদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কাংবু লাক্তুনা মৈ অদু মুত্থৎখি।

কেম্প (এল)ঃ  এপোলো চিলদ্রেন্স হোস্পিতাল চেন্নাই, চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট, অমসুং রাষ্ট্রিয়া বাল স্বাস্থিয়া কারিয়াক্রম, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা সেব য়োর হার্ট হায়বা ৱাখল্লোনদা অঙাংশিংগী ফ্রি

কার্দিয়াক স্ক্রিনিং কেম্প অমা ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসারগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা অঙাংশিংদা হার্টকী অনাবা লৈব্রা হায়বদু চ্যেক তৌখি।

কনফরেন্স ঃ ভারত অমসুং বঙ্গলাদেশনা লৈবাক অনিগী ঙমখৈ পরিংদা শান্তি থমবা অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়না অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে। বি.এস.এফ অমসুং বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশকী দাইরেক্তর জেনেরেল থাক্কী ৫৭ শুবা বোর্দর কোওর্দিনেসন কনফরেন্স থা অসিগী ৮ দগী ১১ ফাওবা নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা লৈবাক অনিনা ঙমখৈ লমদমগী ঙাকশেল অমসুং থৌশিল থৌরাং হন্না য়েংশিন্নবগী মরুওইবা তাঞ্জা ওইখি। নাকল অনিনা ঙমখৈদা মখা তানা পেত্রোল্লিং চৎপা হেনগৎহন্নবা অমসুং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা ঙমখৈ লান্না আইন কায়না মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংনবা পুন্না থবক লৌখৎমিন্ননবা য়ান্নখি।

মীফম অদুদা ভারতকী মাইকৈদা বি.এস.এফকী দাইরেক্তর জেনেরেল প্রবিনকুমারনা লুচিংখি অদুগা বঙ্গলাদেশকী মাইকৈদনা দাইরেক্তর জেনেরেল মেজর জেনেরেল মোহামদ অশ্রাফুজামান সিদিক্কিনা লুচিংখি।

এমইএ ঃ গল্ফ ওফ ওমানদা ভারতকী কম্মর্সিয়েল জহাজশিংদা আমেরিকাগী নেভেল ফোর্সশিংনা লান্দারকপবু ভারতনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। ঙসি মপান থৌরম মন্ত্রালয়না আমেরিকাগী চার্জ দি এফ্যারস- জেসন মিক্সপু মন্ত্রালয়দা কৌদুনা ৱাফম অদু খঙহনখি। আমেরিকাগী নেভেল ফোর্সশিংনা লান্দারকপা অদুদা লৈবাক অসিগী মীওই ৩ লৈখিদ্রে, মপান থৌরম মন্ত্রালয়না আমেরিকাগী জেসন মিক্সপু কৌখৎপা অনিরক শুবনি।

মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা মীচম পুবা জহাজশিংদা তমথিবা এটেক চথখিবা অদু লৈবাক অসিনা য়ামা হকচিন্না লৌই হায়রি। আমেরিকাগী চার্জ দি এফ্যারসতা ভারতনা থৌদোক অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱাফমশিং ফোংদোকখি লোয়ননা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা আকেরিকাগী নেভেল ফোর্সশিংনা তুংদা

মীচম মীয়ামগী পুন্সি শোকহন্দনবা নিংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফমসু ফোংদোকখি।

নিট ঃ নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ)না থা অসিগী ২১ দা অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা রি-নিট য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষাগী মতম (একজামিনেসন ৱিন্দো) মিনিত ১৫ হাপকৎতুনা হান্না মিনিত ১৮০ ওইরম্বা অদুদগী মিনিত ১৯৫ দা হেনগৎলে। অনৌবা মতম অসি নুংথিল পুং ২ দগী নুমিদাইৱাইরম পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা ওইরগনি। এজেন্সি অসিনা হায়- নিট য়ু.জি. ২০২৬ কী পরিক্ষা অসি চুমা, অশোই অঙাম য়াওদনা অমসুং কেন্দ্র দদেটশিংগী তঙাইফদবশিং খঙনা পাঙথোকনবা অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

এন.টি.এনা ৱারোল অমদা হায়- নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌরক্লিবা অসি হৌখিবা চহি কয়াদগী কেন্দ্দিদেটশিংদগী ফংবা ফিটবেক মতুংইন্না শেম্বনি।

ব্রিক্স ঃ নুমিৎ নিনি চত্থগদবা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লৌউ শিংউ মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসিদগী মধ্য প্রদেশকী ইন্দোরদা হৌখ্রে। কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না মীহুৎ কাংবুশিং অদুবু তরামা ওকখি অমসুং মালেম পুম্বশি ইমুং অমত্তনি হায়বা বাসুদেব কুতুমবকম হায়বা ৱাখল্লোন মখা তানা চৎনহনবগী তঙাইফদবা চেৎনা পনখি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ভারতকী মীৎয়েং অসি লালগী মহুৎতা শান্তি থম্বা অমসুং মুকবগী মহুৎতা তেংবাং পীনবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা শাগৎপনি।

লৌউ শিংউগী লমদা ভারতনা মায় পাক্লিবশিং অদুসু মন্ত্রিনা পনখি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা লৌউ শিংউগী লমদা চহিদা চাদা ৪.৫ গী চাংদা গ্রোথ লৈরে। লৈবাক অসিগী অপুনবা চীঞ্জাক পুথোকপগী চাং টন মিল্লিয়ন ৩৭৬ রোম য়ৌরে। মহাকা হায়- ভারতকী অপুনবা লৌমীশিংগী মনুংদা চাদা ৮৭ রোমদি অপিকপা অমদি লম লৈজদবা লৌমীশিংনি। মখোয়দা শক্তি পীবা হায়বসিনা পুন্না চাওখৎমিন্নবগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাম্নেনি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী মেক্সিকোগী সহর-জপোপানদা ঙসি অয়ুক পুং ৭ মখায়দা শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা চেককিয়াবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি নোংয়াই মতুং পুং ১২ মখায়দা কানাদাগা বোসনিয়া এন্দ হার্জিগোভিনা টেরোন্টোদা শান্নগনি। হয়েং অয়ুক পুং ৬ মখায়দা য়ু.এস.এ অমদি পারাগুৱে লোস এঞ্জিলিসতা শান্নগনি।

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজেবুংদা শান্নখিবা মেটচতা- য়ু.এস.এনা এন.এম.এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ দা থোহখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- রাহি য়ু.সিনা রাহি য়ু.সিনা ইম্ফাল য়ুথ ক্লবপু পেনালতি কিকতা পাঞ্জল ৫-৩ তা থোইখি।

ক্রিকেটঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা থাউ থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৭ তা, এ.এম.সি.এ থৌবালনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু ৱিকেট ৪ দা অমদি কে.এ.এস.সি খোমিদোকনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

বেদমিন্টন ঃ ভারতকী পি.ভি. সিন্ধু সিদনিদা চথুরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন তুরনামেন্টকী নূপীগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল চংলে। ঙসি অহুমসুবা সিদ, সিন্ধুনা চাইনিজ তাইপৈগী চেন সু য়ুবু ক্বাতর ফাইনেলদা ২১-৬, ২১-৯ দা মায়থিবা পীখি। সেমি ফাইনেলদা মহাকা টোপ সিদ, জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা থেংনরগনি।

------